ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ১০, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৯৬ শুবা মশীং

পি এম কে ভি ৱাই

লৈবাক অসিগী নহারোল ক্রোর ১ দা কান্নহনগদবা থৌরাংনি

লায়রবনা মশীং য়াম্বা, থবক ফংদবগী অৱাবা পোৎলুম কয়ামরুম নন্দুনা লৈরিবা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম পুন্নমক থবক পীবা হায়বসি লৈঙাক্কী ওইনদি অচৌবা শিংনবা অমনি। মীখলগী মতমদা নৎত্রগা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা ঙাইহাক নুংঙাইননবা নৎত্রগা পেন্ননবা মীওই লাক্ষ-লাক্ষ থবক পীগনি হায়না ৱাশকপনা পান্দম অসি হেক্তমক ফংগনি হায়বগী থাজনীংঙাই লৈতে। অদুমকপু নহারোল ক্রোর ১ রোমদা কান্নবা ফংহন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্ট্রি ওফ স্কিল দিভলপমেন্ট এন্দ ওন্ট্রাপ্রেন্যুরশিপ (এম এস দি ঈ) না প্রধান মন্ত্রি কৌশাল বিকাস যোজনা (পি এম কে ভি ৱাই) কৌবা ফ্লেগশিপ স্কিম অমা পায়খত্তুনা লাক্লি। কুমজা ২০২০ ফাওবা পায়খৎকদৌরিবা স্কিল সর্টিফিকেসন স্কিম অসিনা নহারোলশিংবু ইন্দষ্ট্রিগা চূনগদবা মওংদা ট্রেনিং পীদুনা তুংগী পূন্সিদা মরেক-মহাও থোক্লা হিংবা ঙমহন্নবা হোৎনরি। মাঙজৌননা খঙ-হৈরবা মীওইশিংবুসু শক-খঙবীদুনা সর্টিফাইদ তৌগদৌরিবা স্কিম অসিদা অচঙবা শেনফম পুন্নমক লৈঙাক্লা পুথোক্কদৌরি। নেসনল স্কিল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন এস দি সী) গী খুথাংদা পায়খৎলিবা স্কিম অসিগী মখাদা মপূং ফানা মহৈ-মশিন তমহৌদ্রবা, নৎত্রগা থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংবু পি এম কে ভি ৱাই ট্রেনিং সেন্টরশিংদা শোর্ট টর্ম ট্রেনিং পীরি। নেসনল স্কিলস ক্কালিফিকেসন ফ্রেমৱার্ক (এন এস ক্যু এফ) কী মখাদা পীরিবা ট্রেনিংগী শরুক অমা ওইনা মী লোয়নবা, ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ, শেল-থুম হৈনা শিজিন্নবা তন্বীগদৌরি। করম্বা থবক্তা করম্বা থৌদাং লৌগদগে হায়বদুগী মতুং ইন্না পুং ১৫০ দগীনা পুং ৩০০ ফাওবগী ওইবা ট্রেনিং ফংলবা মীওইশিংদা সর্টিফিকেট পীবগা লোয়ননা মফম চাবদা থবক অমমম ফংহন্নবা হোৎনবদসু মতেং পাংগদৌরি। হান্নদগী থবক তৌদুনা লৈরক্লবা নৎত্রগা মহৈ হৈরবা মীওইশিংবুসু নেসনল স্কিলস ক্কালিফিকেসন, ফ্রেমৱার্ককা চূনবা মওংদা তাকপী-তন্বীদুনা সর্টিফিকেট পীগদৌরি। ক্কালিফিকেসন পেক, নৎত্রগা নেসনল ওক্যুকেস্নল ষ্টেন্দর্দকী মনুং চন্দবা, অদুবু অখন্নবা থবক্তা অখন্নবা থৌদাং লৌবা ঙমগদবা মওংদা ট্রেনিং পীনবগী স্পেসল প্রোজেক্ট অমসু পি এম কে ভি ৱাইদা য়াওরি। স্কিম অসিগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইনা থা ৬ খূদিংগী নেসনল কেরিয়র সার্ভিস মেলা (কৌশাল অমদি রোজগার মেলা) পাঙথোক্তুনা ট্রেনিং ফংলবশিংদা মতেং পাংলি। পি এম কে ভি ৱাইগী য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইরিবা শরুক্তি ট্রেনিং ফংলবা মীওইশিং থবক ফংহন্নবা হোৎনবা নৎত্রগা মশানা মশাবু থবক পীজবা ওন্ট্রপ্রেনিয়র অমা ওইহনবদা মতেং পাংবীবগী থৌওংবুনি হায়বা য়াই।

খন্নবা য়ারিবা ৱাফমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফজখ্রবা 'সবকা সাথ সবকা বিকাস' মোদেলগী মখাদা পায়খৎলিবা প্রধান মন্ত্রি কৌশাল বিকাস যোজনা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং কদায় ফাওবা মশক থোক্লা পায়খৎপা ঙম্লবগে হায়বদুনি। গ্রাসরুট লেভেলদা ট্রেনিং পীদুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা ফংহনগদৌরিবা থৌরাং অসিগী মতাংদা কম্পেনি খরনা লুপা ক্রোর ৫০০০ রোম লোন্না হৈনথোক্লম্বগী ৱাফম ন্যু দিল্লিগী এন জি ও অমনা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব কৌবা দিল্লিগী এন জি ও অদুনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অৱাংবা থাক্তা লৌতুনরগা ট্রেনিং প্রোভাইদর খরনা থবক্তি তৌদনা য়াম্লবা শেনফম লৌথোক্লম্বনি হায়রি। খুদম ওইনা পল্লবদা ওরিয়ন এদ্যুটেক প্রাইভেট লিমিটেদ কৌবা ট্রেনিং প্রোভাইদর অমনা মীওই ৭২,৩৯৭ ট্রেনিং পীরে হায়জিল্লগা অচৌবা শেনফম অমা লৌথোক্লম্বা থেংনখি। ট্রেনিং প্রোভাইদর অমখক্লা মীওই ৭২,৩৯৭ ট্রেনিং পীবা ওইথোক্লোই খঙনা-খঙনা পংহায়দা হায়জিল্লগা লুপা ক্রোর-ক্রোর নারোলদা লৌথোক্লম্বগী থৌওং অসি ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমদদি থোইদোক্লা ঙক্লিংঙাই ওইদে হায়না লৌবা য়াই। মীয়ামদা কান্নবা ফংহনগদবা থৌরাং কয়া মীওই খরখক্কী শেন্দাল লম্বী ওন্থোক্তুনা অরেম্বা তাহনখিবগী থৌদোক পুন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। নেসনল ইন্সটিট্যুট ফোর ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ এন্দ স্মোল বিজিনেস দিভলপমেন্ট (এন আই ঈ এস বি য়ু দি) না ব্লেকলিষ্ট তৌখ্রবা কম্পেনি কয়ানা প্রধান মন্ত্রি কৌশাল বিকাস যোজনাগী ট্রেনিং প্রোভাইদর ওইরম্বা অমসুং শুংলৈ লৈতবা কম্পেনি ২৫ খুদোংচাবা পীরম্বগী থৌওং অসি মণিপুরদসু থোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মসিদসু নত্তনা ষ্টেট অমদা ব্লেকলিষ্ট তৌখ্রবা কম্পেনি অমনা মণিপুরদা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা লৌরম্বা য়াবগী ৱাফম মতম চানা য়েংশিলহৌবা চুমগনি। মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্দ দিভলপমেন্ট, মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফ্যের্স, মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট, মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলস অমদি নিতি আয়োগনা ফাওবা প্রধান মন্ত্রি কৌশাল বিকাস যোজনা থবক্তা ওন্থোকপদা অশোয়বা কয়ামরুম য়াওরে হায়না দিল্লিগী এন জি ও অমনা খুদম-চাংদম পীদুনা ফোঙদোরকখ্রবনিনা হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতীক চাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎতুনা মীয়ামদা কান্নবা পীগদৌরিবা প্রধান মন্ত্রি কৌশাল বিকাস যোজনা ষ্টেট অসিদা মায় পাকহন্নবা হোৎনফম থোকই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

মণিপুরদা চাকথোং গ্যাস

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর

ইকায়খুম্নজরবা মরী লৈনবা মন্ত্রিনা চাক্লৌবা মমাঙদা চাকথোং গ্যাস নিংথিনা ফংহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থবক অসি অফবা খোঙথাংনি। অদুবু মফম খরদগী ফংগৎলিবা গ্যাস অসি গ্যাস য়েল্লিবা এজেন্সিশিংদগী ফংবা শোয়দনা ওইগনি। অদু ওইরবদি এজেন্সি অমদা য়েনগদৌরিবা গ্যাসকী মশীং অসিগা, য়েল্লিবা তারিখ অসিগা চানব্রা/চানদব্রা হায়বসি ওথোরিটি অমনা য়েংশিনফম থোক্তবরা? নৎত্রবদি গ্যাস ষ্টোক মশীং ৩০০ লৈরগা ষ্টোক ২০০ য়েল্লবদি শোয়দনা মনিংথোঙদা চৎখিবা তাবনি।

মতাং অসিদা লাকচনীংলিবা ৱাফমদি লৈরিবা মশীং অদুগা চানবা সেরিএল নম্বর অসুক ফাওবা য়েনগনি হায়বিরবদি ঐখোয় খুদিংমক্লা য়ানবা ৱাফম ওইগনি। অদুদি নত্তনা তারিখ অদুফাওবা য়েল্লি হায়বসিদি কয়াম্না শেংনা তৌবনো খঙদবনা মনিংথোঙদা চৎপা মশানা তাবনি। হোয় এজেন্সি অমগী খঙন-চান্নবা মরুপ-মপাং, য়াইতোং খমদোংবগী গ্যাস মশীং ২০/৩০ খাকপীরবসু অকায়বা লৈতে। অদুনা এজেন্সি খুদিংমক্লা লাক্লিবা মশীংগা চানবা বুকিংগী সেরিএল নম্বর হাপ্পীনবা মরী লৈনবা মন্ত্রিগী পূক্নিং চিংশিনজরি।

চৎলিবা চহী ২০১৭ অসিদা ঐগী ওইনা অথনবা সিলিন্দর ২ খক ফংজখ্রে। অহানবনা কুমজা ২০১৭কী ফেব্রুৱারী ২৭তা অদুগা অনীশুবনা কুমজা ২০১৭কী মে ৩১দা ফংজবনি। হৌজিক ওক্টোবর থা হৌগৎলক্লে, করম্বা তারিখতা গ্যাস ফংগদগে হায়বা তম্বা ঙমদ্রি। অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চহী অমদা গ্যাস ১২ ফংবা হায়বা পান্দম অদু মণিপুরদদি কয়া ওইগনি?

অদোমগী - অকোইজম হারিদাস সিংহ
ৱাংখৈ কোসম লৈকায়

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮

১। অরিবা মণিপুরী পাউরৌশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
  (ক) ঙন্না তাবা শেন্দাংনা চেঙ মচং চায়।
  (খ) চৈশুসু তেক্তনবা, লিনসু শিনবা।
২। জি সি তোংৱাগী দ্রামা অমনা মণিপুরদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শান্নবা লীলা ওইরি। করি দ্রামানো?
৩। ''পূম্লিল নিল্লি, পুল্লাঙ লাঙই চীংমায়দু/...মচী লেঙদে চীংমায়দি।'' পরেংশিংসি লমাবম বীরমনিগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। করম্বা ৱারীমচানো?
৪। ''খম্বতোন! নঙনা মায়থীরিবসে করম্বা লানফমদনো?'' পরেংসিনা বেনুবালাগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারী মচাদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। হিন্দিগী 'কম্বন'বু মণিপুরীদা হন্দোকপদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পঞ্চায়ট মীখলগী পাউদম অমা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৫৯

জিতেন নামৈরাকপম

মঙারকশুবা জেনরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সন ২০১৭ লোইশিনখ্রে। অদুবু মীখলগী ফল লাউথোক্ত্রিবা মরম্না মীখল থেংনখিবা কেন্দিদেটশিং, সপোর্টরশিং অমসুং অপাম্বা কেন্দিদেট খল্লগা ভোট থাদখিবশিংনা মীখলগী ফল লাউথোরকপা থৌরাংনা ঙায়নরি। খুঙ্গংগী মীওইশিংদা লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্টকী খুদোংচাবা পীবা ওইনা পরিং নাইনা চথুরকপা মীখল অসি হৌজিক্তি খ্বাইদগী মরুওইবা মীখল ওইরক্লে। মণিপুরগী রেভেন্যু দিষ্ট্রিক্ট তরুক্তা ওক্টোবর ৭তা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা পোল্লিং ষ্টেসন খরদা খৎন-চৈনবা থোকখিবা, বেলোট বোক্স অকায়-অতোয় থোকহনখিবা, বেলোট পেপরদা অশোয়বা য়াওরম্বা অমসুং ওন্ননা পীরম্বা য়াওবদগী পোল্লিং ষ্টেসন ২৯দা অমুক হন্না রি-পোল তৌখ্রে। মদুগী ফলদুনি মীয়াম্না থৌরাংনা ঙায়নরিবা।

মীখল পাঙথোকপা খুদিংগী ঈরাং থোকপা, ফুনা চৈনবদগী মীশি-মীনা য়াওবা ফাওবা ঐখোয়না থেংনদুনতা লাক্লবনি। শান্তি ওইনা মীখল পাঙথোকসি, অপাম-অপাম্বা কেন্দিদেট খঞ্জদুনা ইংনা তপ্পা লোইশিনসি হায়বসি ফনা য়াম্না হায়জরগসু মফম খরদা ঈরাং থোকপা, বেলোট বোক্স লাকপা, বেলোট পেপর শেগায়বা, নম্ফুদা ভোটরগী হক মৎতুনা থাদহনবগী থৌদোক হেক্তা থোক্কল্লি। মনি পৱার, মসল পৱারনা নম্ফুদা ভোট কাহনখিবসু য়াওখিদবা নত্তে। তোঙান তোঙানবা কেন্দিদেটশিংগী ৱার্করশিংনা গ্রুপ গ্রুপ শেম্নদুনা ফুন-চৈনবা, য়ূম-কৈ থুগায়বা, নোংমৈ কাপশিনবনচিংবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং কয়ারক হন্না থোকখ্রবনি। হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদসু ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সোরা বজারদা খূৎলায় পায়নদুনা, চৈ অমদি থাঙ শীজিন্নদুনা ফুনবা অমদি য়ূম ফাওবা থুগায়নখ্রে হায়রি। নুপাসু-নুপীসু শোক্লবা য়াওরে। অতোপ্পা মফম খরদসু কেন্দিদেট মশেল খৎনবা, লাউনবা, চৈনবগী থৌদোকশিংসু থোকখি। ইলেক্সনগী মতমদা খৎন-চৈনবা য়াওরকপগী হৌরকফম শোয়দনা লৈগনি। কাঙলোন লান্না থবক তৌরকপা, হোম পোল্লিংদা অতোপ্পা কেন্দিদেটকী এজেন্ট ফমহন্দবা, ভোট পীরক্লোয় খনবা ভোটরগী প্রোক্সি তৌবিবা নৎত্রগা বেলোট পেপর মুল্লগা ইনভেলিদ ওইহনবা, অতোপ্পা কেন্দিদেট চঙগে হায়বদা তান্থোরকপা হায়রিবা ফেক্টর ময়াম অসিগী মনুংদা হীরম অমদা হেক্তা ঈরাং থোক্লকপা য়ারে। কাঙলোন কায়রকপদগী অশাওবা ফাথবা ঙম্নদবদগী খূৎ য়াওনরকপনি। অঙম তান্নরকপদগী মীশি-মীনা য়াওরকপনি।

তশেংনা হায়রগদি মীখল তৌবা হায়বসি মীয়াম্না অফবা অপাম্বা মীহুৎ খল্লগা লৈঙাক্তা শরুক য়াহন্দুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম পাঙথোক্লবগীদমকনি। ফুনৌ, চৈনৌ, হাৎতোক্নৌ হায়বা নত্তে। শক্তি লান্না শীজিন্নদুনা মীওইবগী হক নম্ফুদা মুন্নবা হোৎনবা হায়বসি আইন্না য়াবা নত্তে। আইনগী ৱাংমদা থবক চথুরকপনা অশোক অপন য়াওরকপনি। হন্দক্কী মীখলগী নুমিৎশিংদা অশোক অপন য়াওরক্তুনা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখিবা অশোকপশিং মরাল শুকলৈ লৈতবসু, মরাল লৈবা কারন তারুবা কাঙবুসু য়াওরিবনি। পুন্নমক অসি ওইদুনসু অশোকপতনা মাঙজে হায়বদুনি। মোব ক্রাইম ওইবা তারগসু ইলেক্সনগী মতমদা খৎন-চৈনবা থোরকপদদি ৱাকৎলুবগী কান্নফমসু লৈগন্দে। অশোকপতনা মাঙজহৌই। কেন্দিদেটশিং, সপোর্টরশিং, এজেন্টশিং অমদি ভোটর খুদিংমক্লা ৱাখল তামিন্নরগা কাঙলোন চুম্না মীখল পাঙথোক্লগদি খৎন-চৈনবা, অশোক অপন য়াওনীংঙাইগী মচাক শুকলৈ লৈরোই। ৱাখল তামিন্নবদগী, পোল্লিং পার্সনেলশিং অমদি সেক্যুরিটিশিংনা নিংথিনা কো-ওপরেসন পীনবদগী হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা পোল্লিং বুথ অয়াম্বদা ঈংনা-তপ্না, শান্তি লৈনা মীখল পাঙথোক্লখিবদুনি।

ইন্দিয়াগী খুঙ্গং চাওখত্তনা ইন্দিয়া অসি চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লোই হায়বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখল্লোন অদুগী মখাদা থবক্তা ওন্থোক্লবা থৌরম কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। পঞ্চায়ট ইলেক্সন অসিসু খুঙ্গংদা লৈবা মীয়ামগী খ্বাইদগী মরুওইবা মীখলনি। এম পি খন্নবা পাঙথোকপা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন, ষ্টেট এসেমব্লি অমদি ম্যুনিসিপাল, ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমদি পঞ্চায়ট ইলেক্সন হায়দুনা সিষ্টেম অহুম থোক্লা মীখল পাঙথোক্লিবসি লৈঙাক্কী পোলিসি প্রোগ্রাম মপূং ফানা মনুং হুৎনা য়ৌহন্নবগী পান্দমনি। কুমজা ২০১৫গী ওক্টোবর ১১দা 'সংসদ অদর্শ গ্রাম যোজনা' হৌদোকখ্রে। খুঙ্গং চাওখৎহন্নবা পান্দম অদু পাঙথোক্লবা প্রোগ্রামনি। মোদি লৈঙাক হেক হৌরকপদগী চহী ৫গী টার্ম অসিগী মনুংদা ইন্দিয়াগী খুঙ্গং ২,৩৭৯ মোদেল ভিলেজ ওইহনগনি হায়বগী পান্দমনি। মহাক মশামক্কী ওইনসু য়ু পিগী বরানসিদা খুঙ্গং অমা খনখ্রে। মহাক্লা পাল্লিবা খুঙ্গংশিং অদুদা মৈ, ঈশিং, অনা-লায়েং, মহৈ তম্ফমশঙ, লম্বী-থোঙ য়াওনা হিংবদা চঙবা তঙায়ফদবা পোৎলমশিং ৱাত্তনা ফংহন্নবগীদমক অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা হোৎনগনি হায়বসিনি। মসিদা চঙগদবা শেনফম্না এম পি অমগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মথক্তা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী তেংবাংসু অদুমক য়াওগনি। মহাক্কী পান্দম অসি মায় পাক্লবা লোক সভাগী এম পি ৫৪৩ অমসুং রাজ্য সভাগী এম পি ২৫০ পূন্না মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ৭৯৩না চহী ৫গী মনুংদা এম পি অমমম্না খুঙ্গং ৩/৩ শেমগৎপগী পান্দম থল্লি। মসিগীসু মথক্তা কোর্পোরেট বোদিশিংদসু য়ামদ্রবদা খুঙ্গং অমমমদি শেমগৎপীয়ু হায়রি। এম পিগী মথংদা এম এল এ অমগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী লাকপা শেল অমদি পঞ্চায়টকী জিলা পরিষদ, প্রধানশিংগী মখূৎতা লাক্কদৌরিবা ফন্দশিং নিংথিজনা থাদদুনা শেমগৎপা তারগদি মণিপুরদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংসু লংত্রিক লংবা মোদেল ভিলেজ (ফিদম্লিংঙাই ওইবা) ওইফম থোক্তব্রা?

অদুবু কদাই ভোট মচানি, ভোটনাওনি হায়নরিবা মীখল অসিদা জিলা পরিষদকী কেন্দিদেট অমগী লুপা লাক্ষ ৮০দগী ক্রোর ফাওবা চঙখ্রে হায়রিবা, প্রধানগী লাক্ষ ৪০/৫০ অমদি পিক্তু পীকপা মেম্বরগী লুপা লাক্ষ ৬/৭ ফাওবা চঙনখ্রে হায়রি। শেলগী অৱাৎপা লৈরকপদগী অরৈবা মাল চাং কায়থোক্লবা, লৌ-ইশ্খোল বন্ধান নৎত্রগা য়োন্থোকখিবফাও য়াওনরে হায়রি। মসিদবু ভোট কারবা কেন্দিদেট অমনা কদায়দগী অচুম্বা তৌরক্কদৌরিবনো? ভোটতা চঙখিবা শেল হঞ্জিন্নবা হোৎনফম থোক্তবরা? মদুদনি পাউচেদা ঙাইহাক লৈতনা অৱাই-অখুম তৌনখিবা, পুখ্রি তৌইগা/তৌদেগা, দ্রেন চল্লি/চন্দে, মৈরাশঙ শাই/শাদে, লম্বী শেমই/শেমদে, থোং শাই/শাদে হায়বগী হুন্নবা লেপত্রিবদুনি। মহাত্মা গান্ধীগী মমিং য়াওবা জোব কার্দতা থাদরকপা য়াম্লবা শেনফম হৈনথোকখ্রে হায়বগী ৱাকৎসু তত্তনা তাবা ফংনখিবদুনি। অমরোমদা ইলেক্তেদ মেম্বরখক্তদা তায়নরুবসু য়াদ্রি। ঐখোয়গী ভোটরশিংগী মরক্তগী ইলেক্সনবু হরাউ কুম্মৈগুম চাবা, থকপা, শেল নীবগী হৈনবীনা লু-তোংদা পকখ্রে। করপসন তৌনগুমসিদি লাউনরগা ভোটতা শেল য়েন্দবা কেন্দিদেট অদুদি ভোট কাবগী ৱাদি শুকলৈ লৈত্রে। হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদসু লুপা ৫০০/৬০০, ৪০০ য়ামদ্রবদা ৩০০গী চাংদদি য়েন্নখি। সিম্পেথি ভোটকা হায়বদুদি মীহুৎ খুজোক খরখক্কী ৱানি। শেল য়েনবদা থুংদবা ভোটর অতাঙবা ওইখি। পুন্নমক অসি ওইদুনসু মীখলদা কারকপা, মায় পাক্লবা মেম্বরশিংনা পুকচেল খরা শেংনা মীচম মীয়ামগী য়াইফনবগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লবগীদমক থাদরকপা শেল কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদুনা মীচম মীয়ামগী থৌগল তৌবিরগদি মীয়াম্না থাগৎনগনি। চুহী চফুদি খুদোম্বীনা লুপ্পগা লেকপনা মহাউ লৈগনি। চফুদু পুল্লপ থাঙ্গৎলগা থল্লুরবদি খুদোং থিনিংঙাইনি কাউফরোই।

মেরা ৱা য়ুংবা

খঙদোকমিন্নসি অমুক্তং : ৪০৮

হাওবম প্রিয়োকুমার



হৌজিক্তি মেরা ৱা য়ুংবগী চৎনবী অসি মাঙখিবগুম তৌরে। তঙাইফদবা খরনা য়ুংবা নত্তনা। অদুনা হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংনদি মেরা ৱা য়ুংবা হায়বসি করিনো হায়বা খঙলমগদবা মান্দে। চাওরাক্লা চহী কুন/কুন্থ্রামুক্কী মমাঙদদি য়ূমথোং খুদিংগী মেরা ৱা য়ুংনরম্মী। মসিবু মেরা ৱাখিনবা হায়নসু খঙনরম্মী। মেরা ৱা য়ুংবা হায়বসিদা মেরা থাদা ৱা অমখক য়ুংবদা নৎত্রি। ৱাগী মতোন্দা থৌরি চিংখৎনবগী পাম্বে অমা হাপ্লগা থৌরিদুদা থাউমৈ কিশিল্লগা মতোন ফংনা চিংখৎকদৌরিবনি। চিংখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা য়ুংলিবা ৱা মখোঙদু নীংথিনা ৱায় তৈথোক্লগা হৈ-রা, ক্কা, ধুপ-থাউমৈ কৎকনি। থাউমৈ অদুবু মেরা থাউমৈ হায়না খঙনৈ। অদুগা থৌরি অদুবুনা মেরা থৌরি হায়না খঙনৈ। মেরা থাগী থানিল (পুর্ণিমা) নুমিত্তা ৱা য়ুংলগা হিয়াঙ্গৈগী থানিলদা ৱাদু ফুক্তোক্লে। মসিবুনা মেরা ৱাফুকপা হায়নসু খঙনৈ। খরা থেংথরবা মতমদা থাউমৈগী মহুৎ ইলেক্ত্রিক বল্বনা শিল্লগা থান্নরম্মী।

নোংঙাল্লমদাইদা হৌগৎনরগা অতোপ্পগী মেরা ৱা য়ুংলিবা তুলশিবোং অদুবু কোরোক কোয়না ৱায় তৈথোক্লে। মসিবুনা তুলশিবোং হূরানবা হায়না খঙনৈ। অতোপ্পগী তুলশিবোং হূরাল্লবদি মহয় য়াম্না চাউই হায়না থাজনবদগী ইশাগী তুলশিবোং থাদোক্লগা অতোপ্পগী তুলশিবোংবু ৱায় তৈথোক্ল বগী চৎনবীনি। হৌজিক্তি মীগী মশীং য়ামখৎলকপনা মরম ওইদুনা লৈনবা য়ূম-কৈনচিংবা শাজিন্নরকখিবদগী শুমাং-থেলোং থোয়না লৈনরক্রে। অদুনা ইমুং খরখক নত্তনা তুলশিবোং ৱায় তৈবা হায়বদসু হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংগী ৱাখলদা মমি থোয়না তানদবগুম্লে। হায়রিবশিং অসি ৱারী লাইরিক্তদা লৈবদৌনা তৌরক্লি।

মেরা ৱা য়ুংবা (মেরা থাউমৈ থানবা) হৌখিবগী মতাংদা মখল কয়া থোক্লা থেংনৈ। খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ চহী ১৯৬০গী মমাঙদগী মেরা থাউমৈ থানবা হৌরকখ্রে হায়না থেংনবা লৈ।

মমাঙঙৈ ঙল্লিঙৈগী মতমদা তম্পাক লমদমসি ঈশিং ঙাক্তা লৈরম্মী। অদুনা খুন্দা-লৈতানরমদে। চীংদা পুন্নমক খুন্দাদুনা লৈরম্মী হায়বসি চীংমী-তম্মী পুন্নমক্লা খঙনরে। তম্পাক্কী ঈশিং কংথরকপদগী চীংদা খুন্দামিন্নরিবা মনাওনা তমদা কুমথরগা খুন্দা-লৈতাখি হায়বসিসু খুদিংমক্লা খঙনরি, য়াননরি। চীংদা লৈহৌরিবা তাঙ্খুল হায়বসিগী ৱাহন্থোকপু 'তাদগী-খুল' হায়বদগী লোন্থৈদা তাঙ্খুল হায়না খঙনখিবনি হায়না হায়নবা লৈ। অমবু ওইরে অমবু ওইরে, হৌজিক মেরা থাদা মেরা ৱা য়ুংলগা মথক্তা মৈ থাল্লিবসি চীংদা লৈহৌরিবা ময়াম্বগা তমদা লৈরিবা মনাওগগী নুংশিনববু হেন্না চেৎশিন্নবা উত্তুনা তেক্তা কায়দনা লৈরি হায়বদু খঙননবা থানবা মৈনি হায়না লৌনরি, থাজনরি। সিনেমাদা, শুমাং-কুম্মৈনচিংবদসু উৎনরি। অদুবু মতমদুদদি মেরা হায়রিবা থা অসিদি চপ চানা ঈংলবা মতমনি। লোয়ননা লৈচিল নোংফাই থাংদুনা অতিয়া অসি কুপশিন্দুনা লৈবা মতম অমসুনি। কুইদ্রি চহী কুন্থ্রা/নিফুমুক্কী মমাঙদা ঈংবনা মরম ওইদুনা মেরা থা মনুংদা ৱাই তৈরবা তুলশিবোংদা নুংশা য়াইরগা চাক চানরল্লিবনি। অদুনা হায়রিবা থাসিদা লৈচিল থারবা অতিয়ানা মরম ওইদুনা চীংগী ময়াম্বনা তমগী মনাওনা থাল্লিবা থাউমৈ কৈদৌনুংদা উবা ঙম্লল্লোই। তশেংনা মসিগী ৱাহন্থোক অসিদা শাগৎপা ওইরম্লবদি থাল্লিবা থাউমৈদু লৈচিল-নোংফাই থাংদবা অতিয়ানা তশেং-তশেংনা লৈবা মতমদা থাল্লম্লবদি য়াম্না চুশিন্নরমগদবনি। অদুবু মদুদি ওইদ্রে, অদুনা হায়রিবা ৱাহন্থোক অসিমদি চাশিন্নবদগী খরা লাপথোক্লা লৈরব্রা হায়না খল্লি।

মণিপুরদা মপানলোমদগী লাইনীং পথাপ চঙলকখ্রবা মতুং মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র (১৭৫৯-১৭৬২, ১৭৬৩-১৭৯৮) সনা হাক্তক্তগী হেন্না পাক শন্না মরা তাহনবগা লোয়ননা লাইনীংদুগা মরী লৈনবা কুম্মৈ-ফিয়েং মখল কয়া শেমগৎপা, পাঙথোকপসু হৌরকই। লোয়ননা মপান্দগী পুশিল্লকপা লাইনীংগা মরী লৈনবশিংদা মণিপুরগী ওইবা মশক মচু হাপচিন্দুনা, শঙজিন্দুনা লিংখৎপীরম্বা জগোয় রাস অসিসু অমনি। লাইনীং অসিগা মরী লৈননা কৃষ্ণনা মেরা থাদা নোংমখক ঙা ওন্দুনা লৈ। অদুবু তংদাংবা নুমিত্তুদি খঙনদবনা মণিপুরদা মসিগী লাইনীং চৎপা কাঙবুনা মেরা থা চূপ্পা ঙা চানদে, ঙা হেন্নৈ। অসিগুম্বা থাসিদা অৱাংবা ৱা য়ুংলগা মদুদা মৈ থান্দুনা ইবুংঙো মঙোন্দা কৎচরবদি লোয়ননা মাগী মিংখৈ শক-শোল্লবদি মহয় চাউনা ফংগনি হায়দুনা মতমদুগী ব্যাবস্থা ভাস্কর শর্ম্মনা ইনিংথৌদা ৱারী লিদুনা তাকই হায়। ইবুংঙো মানা পেনবীরবদি লৈবাক্কী য়াইফবসু ওইগনি হায়বদগী মেরা থাগী থানিলদা মেরা ৱা য়ুংদুনা ইবুংঙো দামুদোর (কৃষ্ণ) দা মৈ কৎপা হৌখি হায়নসু থেংনৈ। অদুননি মেরা থাউমৈ চীংখৎপদা দামুদোর আয়ো (দামুদরায়ো)... হায়না চিংখৎনরল্লিবসি। ভাস্করনা হায়বা মতুং ইন্না থা অমসিবু 'নিয়ম লাইরিক তাবা' হায়দুনা মপানলোমগী লাইনীংগী ঈশৈ 'রধা দামুদোর থৌজানবীয়ু' অসিনচিংবা শক শোন্দুনা লাইনীংদুগা মরী লৈনবা ৱারী লিনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি মতমগী মতুং ইন্না হায়রিবা পূম্বা মমি শামখ্রে। মেরা ৱা য়ুংবা হায়বসিমক্তি মপানগী লাইনীং পথাপ্তুদি য়াওদে, মখোয়গী লৈতে, মখোয়গী নত্তে। মসিদি ঐখোয়খক্তগী ওইবা থৌরমনি, মশক্লি।

মেরা হায়রিবা থাসি অঙৈং-অশা ওন্নবা, শিন্নবা থানি, তীল-কাং থোক্লরকপা, হৌরক্লরকপা, তীল-তাবা মতমনি। অদুনা মহৈ-মরোংদা তীল তাশিনবা, লোয়ননা ফৌ মুনবা হৌরকপা মতমসু ওইরিবনিনা ফৌদা তীল তাশিন্দুনা অমাং-অতা থোকহল্লি। অমনা মতমদুদদি কেগামগী মৈ উচালনচিংবনা নুমিদাংগী মৈঙাল ওইনরম্মী। অদুনা মেরা থাদা তারিবা তীল-কাং ময়ামদুনা ইমুং-ইমুংদা পায়শিল্লক্তুনা থাল্লিবা মৈদুবু তত্তনা মুখৎপনচিংবা থোকহল্লিবনি। হায়রিবা মহৈ-মরোংদা, মুনবা হৌরক্লবা ফৌদা অমদি ইমুংগী মৈনচিংবদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে অমা ওইনা থাসিদা য়ূম খুদিংগী শুমাংদা ৱা য়ুংদুনা মথক্তা থাউমৈ থাল্লগা তীল-কাং ময়ামদুবু পাইশিলহন্নবা য়ুংখিবা মেরা ৱানি হায়নসু থেংনৈ। অদুবু হৌজিক্তি মফম-মফম খুদিংদা ইলেক্ত্রিক্কী মতেংনা মৈঙালগী মৈঙাল ঙাক্তা, লোয়ননা মখল মখলগী তীল-কাং হাৎনবা হীদাক শীজিন্নরে। মতমগী মতুং ইন্না মীগী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপনা লৈনবা য়ূম-কৈনচিংবা শাজিন্নখিবদগী শুমাং থেল্লোং থোয়না লৈনরক্রে লোয়ননা মেরা ৱা য়ুংবগী চৎনবীসু তপ্না তপ্না মমি শাল্লক্লি। অদুবু মেরা ৱা য়ুংবগা শাগোন্নরিবা ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রনা লিংখৎপীরম্বা জগোয় রাস 'কুঞ্জরাস' কত্তুনা পাঙথোক্লি। অদুগা মেরা ৱা ফুকপা নুমিত্তনা 'মহারাস' কত্তুনা পাঙথোক্লি। হৌজিকসু কনাগুম্বা খরনদি মেরা ৱা য়ুংবগী চৎনবীবু চপ চানা ঙাক্লা, কায়দনা পাঙথোক্লরি।